# সাউথ অফঘানিষ্টানদা টালিবান্না বসশিংদা এটেক তৌদুনা মীওই ৬০ কিদনেপ তৌখ্রে



কাবুল, জুন ২২ (এজেন্সী) :
সাউদর্ন অফঘানিষ্টানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সতা টালিবান্না ঙরাং বস ১সুং কার কয়া পরিং নাইনা এম্বুস তৌখ্রে, মীশিংবু ভেহিকলশিংদুদগী থোকহন্দুনা পেসেঞ্জর ৬০ রোম কিদনেপ তৌখ্রে হায়না অফঘান ওফিস্যল অমনা ফোংদোকখ্রে।

তুংদা লালহৌবশিংদুনা মীওই ২৭ নৎতনা ফাখিবা মীওই অয়াম্বা থাদোকখ্রে হায়রি। হেলমন্দগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চিফ মোহম্মদ ইশমাইলগী মতুংইন্না, এতেক অদু গারেস্ক দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। টালিবান্না বসশিং ১সুং কারশিং অদুবু নমদুন গন পোইন্টদা খাম্বা তাখি। মখোয়না ফাখিবা পেসেঞ্জরশিং অদু কদাইদা পুখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

হন্দক্কী কালেনগী ওফেন্সিভকী শরুক ওইনা টালিবানগী অকনবা এতেকশিংগী মরক্তা মীফা মীপুনশিংদু চথুরক্লিবনি। লালহৌবশিংনা সিভিল সার্ভেন্টশিং নৎত্রগা কাবুল গভর্নমেন্টগীদমক্তা থবক তৌবনি হায়বশিংবু তৎতনা তার্গেট তৌই।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা টালিবান সুইসাইদ বোম্মর অমনা নেপালি সিক্যুরিটি গার্দ ১৪ মখোয়না তোংলীবা মিনিবস অদুদা এতেক চথুদুনা হাৎখি। হৌখিবা মে থাদসু কাবুলদা মী চীনবা অয়ুক্কী মতমদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা কোর্টকী ইমপ্লোয়ীশিং পুবা মিনিবস অমদা এতেক চথুদুনা মীওই ১১ হাৎখি। এতেক অদুসু টালিবান্না ক্লেম তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী এটেক অদুগী মতাংদা হেলমন্দগী ত্রান্সপোর্টেসন দিরেক্টর অব্দুল খাফুর টোখিনা হায়খি, টালিবান্না বস খরা ১সুং অতৈ ভেহিকল খরা মেইন হাইৱেদা খামখি ১সুং লোইনমক সার্চ তৌখি। থৌওং অদুনা মখোয়না তাংদাংবা মীশক নত্রগা পোৎশক অমা মখোয়না থীরি হায়বদু তাকই।

তুংদা হেলমন্দ পুলিসকী চিফ জেনরেল অকা নুর জেন্টোজনা হায়খি ফাখিবা পেসেঞ্জরশিংদু থীবগীদমক্তা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেসন অমা চথুবা হৌখ্রে। বসশিং ১সুং কারশিংদুদা তোংখিবা মীশিংদুদা গভর্নমেন্টগী ইমপ্লোয়ী কয়া য়াওখিবগে হায়বদু লেপ্পা হৌজিক্তি ঙনমল্লি।

তুংদা টালিবানগী স্পোক্সমেন কারি য়ুসৌফ অহমদিনা মীদিয়াদা ফোংদোকখিবদা এটেক অদু গ্রুপ অদুনা চথুখিবনি হায়না কনফার্ম তৌখি ১সুং লালহৌবশিংনা হৌজিকসু ফাখিবা মীওই ২৭ ফাজিন্দুনা থম্লগা অতৈবুনা থাদোকখ্রে হায়খি।

'ঐখোয়না মীওই ২৭ খক নৎতনা অতৈ অফাবা মীওই খুদিংমক থাদোকখ্রে। ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুরবা মতুংদা মখোয় গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়শিংলা হায়বদু লেপকনি। করিগুম্বা মখোয় গভর্নমেন্টগী ইমপ্লোয়ীশিং ওইবা তারবদি মখোয়গী মরাইবক লেপ্ন বগীদমক্তা টালিবানগী জুদিস্যল ওফিস্যলশিংদা শিন্নখ্রগনি' হায়না অহম্মদিনা হায়খি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইষ্টর্ন ঘজনি প্রোভিন্সতা পুলিসমেনশিং ১সুং লান্মীশিং য়াওনা টালিবান্না মীওই ১২ ফাখি ১সুং তুংদা হাৎতোকখি। হৌখিবা থাদা নোরদর্ন কুন্দুজ প্রোভিন্সতা টালিবানগা মরী লৈনবা লালহৌবশিংনা বস খরদগী পেসেঞ্জরশিং ফাখি ১সুং তুংদা পেসেঞ্জর মাপন খন্দোকখ্রগা হাৎতোকখি।

# "পুলিসমেনগী নোংমৈ মুন্নবা হোৎনখিবা বৃটিস মচানা ত্রম্পপু কাপ্পা পামখি"

নেবাদ, লন্দন, জুন ২২ (এজেন্সী) :
লাস ভেগাসতা পাংথোকপা রিপব্লিকান নোমিনিনী হায়না লৌনরবা দোনাল্ড ত্রম্পকি রেলি অমদা বৃটন অমনা পুলিস ওফিসার অমগী নোংমৈ লাক্লবা হোৎনখিবদু মীওই অদুনা বিলয়িনর অদুবু কাপ্তুনা হাৎপা পাম্বদগীনি হায়বসি কোর্টকী চেশিংনা উৎখ্রে।

মাইকল ষ্টিভেন মেন্দফোর্দ কৌবা চহি ২০গী নহা অদু অথিংবা থম্বা মফমদা চংদুনা মীশি মীনা থোকপা য়াবা থবক তৌবগী মরাল শিখি। নেভাদাগী জজ অমগী মমাংদা পুথোকপা মতমদা মহাক্না করিগুম্বা ৱাফম অমৎতা ফোংদোকখিদে। মহাক জুলাই ৫ দা মথংগী হিয়ারিং লেপখিবগা লোইননা মতমদু ফাওবা ফাজিন্দুনা থম্নবা খঙহনখ্রে হায়না বি বি সিগী পাউনা হায়রি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী রেল্লিদা মাইকল ষ্টিভেন সেন্দফোর্দনা ত্রম্পকী ওতোগ্রাফ লৌনবা হোৎনরিবনি হায়রম্লগা পুলিস পার্সনেল অমদগী নোংমৈ লাক্লবা হোৎনখি। নহা অসিনা হায়খি, মহাক্না চহি অমরোমগী মমাংদগী দোনাল্ড ত্রম্পবু হাৎননবা থৌরাং তৌরকখি অমসুং হোৎনরকখি তৌইগুম্বসুং মমৈথংদা মশাদা থবক্তু পাংথোকপা ঙম্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা ফাউরকপদগী হৌজিক থবক্তু পাংথোক্লবা হোৎনরকপনি হায়না কেসতুগা মরী লৈনবা চে চাং খরনা ফোংদোকখি। মহাক য়ু এস তা লৈরকপা চহি অমগা মখাই ফারে হায়রি।

কের্টতা মখোং মখুৎ য়োৎহলিং চল্লগা পুথোরকখিবা সেন্দফোর্দপু ফেদরেল জজ অমনা খুদোংথীনিংঙাই ওই ১সুং লোৎখিবা য়াবা মীশকনি হায়না চীংনখি। সেন্দফোর্দ ফাবগী মতাংদা হংবদা লন্দনদা ফোরন ওফিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি মহাক মমাংদা নোংমৈ অমুক্তা কাপখিদ্রিবা মীশক্লি তৌইগুম্বসুং করম্না নোংমৈ কাপ্পগে হায়বদু খঙনবা মহাক জুন ১৭তা লাস ভেগাসকী রেঞ্জ অমদা চৎখি। থাংজ নুমিৎকী শ্রেজর আইলেন্দ কেসিনোগী রেলি অদুদা সেন্দফোর্দনা পুলিসতগী নোংমৈ লাক্লবা হোৎনখিবদুগী মরমদি মদু লোক তৌদনা লৈবদগী ত্রম্পতা কাপ্পনবা নোংমৈ পাইনবগী খ্বাইদগী ফরবা তাঞ্জানি হায়না লৌবদগীনি।

দোক্যুমেন্টশিংদুগী মতুংইন্না, সেন্দফোর্দনা নোংমৈ মরু রাউন্দ অমা নৎত্রগা অনিদমক কাপ্পা ঙমগনি ১সুং ত্রম্পকী মথ্বাই লৌনবা হোৎনবদুদা মহাকসু হাৎখিবা য়াই হায়না থাজরম্মী। ত্রম্পনা পুলিসতা হায়খি করিগুম্বা মহাক্না রেলি অদুদা ত্রম্পপু হাৎনবা হোৎনহৌদবা তারবদি ফিনিক্সতা পাংথোকপা রেলি অমদা অমুক মহাকপু হাৎনবা হোৎনগনি, মদুগীদমক্তা মহাক্না মাংজৌননা টিকেটসু বুক তৌরে।

কুমজা ২০১৬ কী য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনগী কেম্পেইনদা ইরাং কয়া থোক্তুনা লাকখি। ত্রম্পনা চৎলুবা মফম খুদিংগী মহাক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা মীওই কাংলুপশিং থোক্লকখি। টাইকুন অদুনা দেমোন্সত্রেটরশিংবু য়াম্না তোইনা করেম কথাইনবা য়াওই ১সুং মহাক্কী বেলিশিংগী মনুং অমসুং মপান্দা মহাক্কী সপোর্টশিংগা দেমোন্সত্রেটরশিংগা খুৎ থোক্লখি।

হন্দক্কী ইনৌ নৌবা ওপিনিওন পোলশিংদা ত্রম্পপু শৌগৎনবগী চাং অসি দেমোক্রেট ওপোনেন্ট হিলারি ক্লিন্টনবু শৌগৎপগী চাংদগী নেমই হায়বা উৎলি হায়রি।

মরুওইবা মীখলগী লানবুং ওইগদৌরিবা ষ্টেট খরদা ক্লিন্টনগী কেম্পেইনদা চাদিং তৌবগী চাং শিংথাবা য়াবা মওংদা হেনগৎখ্রে হাইনা রিপোর্ট খরনা ফোংদোকখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইবদা অথিংবা পীবা ১তা ঙাইরবা লৈবাক্তি পাকিষ্টাননিঃ জমির অক্রম

ইস্লামাবাদ, লন্দন, জুন ২২ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ নেসন্সতা থাবা পাকিষ্টানগী হান্নগী পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ জমির অক্রমনা হায়খ্রে মদুদি, মেম্বর ৪৮ গী ন্যুক্লিয়র সপ্লাইয়রর্স গ্রুপ অদুদা ইন্দিয়ানা মেম্বর অমা ওইনা য়াওবদা অয়েৎপা পীরিবা লৈবাকসি পকিষ্টানদা ঙাইহৌরে।

পাকিষ্টান য়াওনা এন এস জিদা লৈবাক খুদিংমক্না য়াওবদা ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা অমৎতা লৈতে হায়না ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুশমা স্বারাজনা ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মখা তারকপা ওইনা অক্রমনা কম্মেন্টশিং অসি ফোংদোরক্লিবনি। 'পাকিষ্টান্না লৈবাক খুদিংমক ১সুং মেম্বর খুদিংমক্তা চৎনগদবা ক্রাইতেরিয়া পুথোকপগী ৱাফম শৌগৎলি' হায়না দোননা অক্রমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

লাক্লিবা এন এস জিগী প্লিনরি সেসনদগী লাকপা য়াবা ফলশিংগী মতাংদা থিঙ্ক টেঙ্ক অমা ওইরিবা ষ্ট্রেটেজিক ভিজন ইন্সটিট্যুট (এম ভি আই) না শিললাংদুনা পাংথোকখিবা রাউন্দটেবল দিসকসন অমদা হান্নাগী দিপ্লোমেট অদুনা ৱা ঙাংখিবনি।

এন এস জি গী প্লিনরি সেসন অদু সিওলদা জুন ২৩-২৪দা পাংথোক্কদবনি।

ন্যু দিল্লিনা মেরিটতা বেজ তৌদুনা চংশিন্নবা হোৎনবদা ইস্লামাবাদনা নন-এন পি টি ষ্টেট পুম্নমক্কী ওইবা মান্নবা ১সুং লৌথুপ লৌকোই লৈতবা ক্রাইটেরিয়া অমা চৎনহন্নবগী ৱাফম তকশিন্দুনা লাক্লি।

অক্রমনা ইন্দিয়াদমক এন এস জিদা এদমিট তৌখিবা মতমদা লাক্কদবা ফিভমশিংগী মতাংদশু ৱার্নিং তৌখি।

মহাক্কী ৱার্নিংশিং অদুদা ইস্লামাবাদনা তুংদা ক্লব অদুদা চংবা য়াবগী ওইথোকপশিংগী মমি শামলকপা ১সুং ইন্দিয়াগী ন্যুক্লিয়রগী পুক্কৈ হেনগৎলকপগী ৱাফম য়াওখি।

মহাক্না ইন্দিয়া অসি ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী মশিং হেনগৎহনবা খ্বাইদগী ফৎত্রবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোংদোকখি। মতম অমদা ন্যুদিল্লিনা নন-প্রোলিফরেসন রেজিমশিংবু তাথিখিবদু হৌজিক মালেমনা ইরাই লাইনা কাউথোকপগুম তৌনৈ হায়না অক্রমনা নুংনাংবা উৎপগা লোইননা নিংশিংখি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান অনিমক অসি নন-প্রোলিফরেসন ত্রিটিদা সাইন তৌদবা এন এস জিদা য়াওনবা হোৎনরিবা লৈবাক ঙাক্তনি।

# রাকাদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথুবদা মীচম ২৫ শিখ্রে

দামাসকস, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী দিফেক্তো সিরিয়ন কেপিটেল রকাদা চথুবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা সিভিল্যান ২৫ শিখ্রে, শিরিবশিংদুগী মনুংদা ৬ তি অঙাং ঙাক্তনি হায়না মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।

'মীওই দজন কয়া অশোক অপন নংখি, মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়া অরুবা ফিভমদনি' হায়না শিরিয়ন ওভজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোংদোকখ্রে। কনা কনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী রেইদশিংদু পাংথোকখিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা খংবা ঙমখিদে।

সিরিয়ান গভর্নমেন্ট, মসিগী মীচং রশিয়া ১সুং য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না রকাদা আই এস আই এসকী মায়োক্তা এয়র ষ্ট্রাইকশিং পাংথোকখি হায়রি।

ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি, সিটি অদুদা য়ুমশকৈশ নুমিৎতসু নৌনা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথুখি। এয়র ষ্ট্রাইক অমদা টাউন হোল হিট তৌখি। এয়রষ্ট্রাইকশিং অদু কোলিসন্না পাংথোকপা মাল্লি হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা ফোংদোকখি। কোলিসন্না হায়খি, মখোয়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাকাগী মনাক্তা এয়রষ্ট্রাইক অনি পাংথোকখি। অমনা জিহাদিষ্টশিংনা শিজিন্নবা থোং অমদা হিট তৌখি অদুগা অমনা ওইল ফেসিলিটিশিংদা হিট তৌখি।

হৌজিক চাউরাক্না সিটি অদুদা মীওই ৩০০,০০০ রোম লৈ হায়রি। এক্তিভিষ্টশিংনা আই এস বু সিভিল্যানশিং ফাজিন্দুনা থম্লগা হ্যুমেন শিল্ডশিং ওইনা শিজিন্নৈ হায়না মরাল শিখি। হন্দক্তা টর্কিশ বোরদরদগী রকা তম্না পুবা আই এস কী সপ্লাই রুটশিং থৎনবা এতেক্ট অনি চথুখিবদা জিহাদিশিংনা অকনবা রেজিষ্টেন্স পীরকখি হায়রি। বোর্দর মনাক্তা য়ু এস না শৌগৎপা কর্দিশ ১সুং আর্য়্যব ফাইটরশিংনা নুমিৎ কয়ানিমুক সনবিজ টাউন্দা আই এস পু কোইশিন্দুনা থম্লকখি তৌইগুম্বসুং মখোয়না জিহাদিষ্টশিংগী সুইসাইদ বোম্মিং কয়াসু মায়োক্লবা তাখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ামদ্রবদা আই এসকী সুইসাইদ বোম্মর অহুম্না সনবিজ মনাক্তা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংদা এটেকশিং চথুখি হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রশিয়ানশিংগী সপোর্টকা লোইননা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা রকাদগী য়ুফ্রেটিজ তমপাক্কী মথক্লোমদা কিলোমিটর ৪০ রোম হাইগৎলগা লৈবা টবেকা টাউনদা এটেক চথুবদা জিহাদিষ্টশিংগী মাইকৈদগীশু অকনবা মওংদা খুৎ হল্লকপদগী তঙাই ফদনা হন্দোকপগী ফিভম ফাওবা লাকখ্রে হায়রি। জিহাদিষ্টশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথুরকখিবা কাউন্টরএটেক অমদা ক্রুপ ১সুং মিলিস্যা ৪০ হেন্না শিখ্রে।

টববেকা এয়রবেজদগী কিলোমিটর তরেৎতমক লাপ্পা মফম ফাউবা চংশিল্লকখিবা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংবু চাউরাক্না কিলোমিটর ২০ লোম নোংচুপলোমদা অমুক তকথোরকখি। য়ুমথংনবা ইরাক্তসু হৌজিক আই এসকী মথক্তা অকনবা এটেক কয়া চথুরি। গ্রুপ অসি মখোয়গী মরুওইবা ষ্টোংহোল্ড ফালুজাদগী তকথোকখ্রে ১সুং প্রো গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনশু মখোয়না খুদুম চন্দুনা থল্লিবা খ্বাইদগী চাউব সিটি ওইরিবা মোসুলগী অকোইবদা নৌনা অমুক এটেক চথুখ্রে হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF AGRICULTURE: MANIPUR

**Notice Inviting Tender**

Imphal. the 22nd June 2016

No. AGM-III/54-Plg/NAIS/2009(Pt-IV): Bids are invited from insurance companies duly empanelled in terms of para XIII of the Operational Guidline (OG) of Pradhan Mantri Fasal Bima Yojana (PMFBY) published by Department of Agriculture and Farmers Welfare, Govt. of India, for the selection of Implementing Agency (IA) to undertake implementation of the said scheme/ programme.

1 This is a notice inviting bid for selecting Implementing Agency (IA) to undertake implementation of Pradhan Mantri Fasal Bima Yojana (PMFBY) during kharif 2016 only for the crop - HYV paddy.
2 The interested empanelled companies should submit district wise and crop wise acturial premium rate.
3 This notice will follow the Operational Guidline (OG) of PMFBY issued by the Govt of India. This may be downloaded from www.agricoop.nic.in.
4 This will further follow the notifications/orders/clarification etc. issued by GOI and Govt. of Manipur(GOM) from time to time. In case there is any conflict, the decision of the GOM will be final.
5 Bid/tender document is available from the Directorate of Agriculture, Govt. of Manipur, Imphal on the working days.
6 Bids should be dropped in the tender box kept in the Directorate of Agriculture, Govt. of Manipur, Imphal.
7 Pre-bid meeting will be on 24/6/2016 at 12.00 noon. Interested empanelled insurance companies may attend the same.
8 Period of droping Bids is 25/6/2016 at 12.00 noons onwards to 1/7/2016 upto 3.00 p.m during office hour & Bids will be opened in same day at 4.00 p.m.
9 Any modification /amendment /extension of date/change of schedule/other clauses/details of the tender will be notified /published in the local daily.

(Louis Ngasainao)
Director of Agriculture, Manipur

HL-B/3148/23

# ফালুজা লৌশিন্নবা আর্মিগী লাঞ্জং কনখৎখ্রে

বাঘদাদ, লন্দন, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ইরাক্কী আর্মদ ফোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফালুজা সিটিবু ইস্লামিক ষ্টেটতগী নৌনা লৌশিন্নবা মখোয়গী ওফেন্সিভ কনশিনখ্রে। মখোয়না মিলিটেন্টশিংবু নোংপোক থংবা দিষ্টিক্ট অনিদগী তকথোকখিবগা লোইনন। মখোয়শিং অদু অৱাং ১সুং নোংচুপ থংবা মফম খরখক্তা চেনশিনখ্রে হায়রি।

মিলিটরি ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, এলিট কাউন্টর-টেররিজম ফোর্সশিংনা নোর্থইষ্টর্ন সুর্টা পুলিশ দিষ্ট্রিক্ট লৌশিনখ্রে অদুগা বাঘদাদ ওপরেসন কম্মান্দগী য়ুনটিশিংনা অস্কারি মিলিটরি পোজিসনশিং নৌনা পাইশিনখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেটনা অৱাং থংবদা লৈবা জুখাইফি ১সুং গোলান দিষ্টক্টশিং পাইশিন্দুনা লৈরি। মখোয়না টৌইগ্রীস তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্বানসু পায়শিন্দুনা থল্লী।

IN THE COURT OF THE SUB:DEPUTY COLLECTOR MOIRANG

*Ref:- Mutation Case No. 350/SDC/M/2016*

Salam Biramangol Singh S/o (L) Gulapi Singh of Thanga Salam
Pititioner
-VS-
Late Smt Salam Pujari Devi W/o (L) Achouba Singh of Thanga Salam
O.p Party

**/NOTICE**

Moirang, The 14th June 2016

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গা মরি লৈননা থোকপা নোটিস অসিনা মরি লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি পাট্টা নং ৪২২ (অনৌবা) দাগ নাং ১৪২ গী এরিয়া ০.১০ একর চাউবা ইঙ্খোল খুল নং ৬৫ -থাঙ্গদা এজমালি পানমিন্নরম্বা পাট্টাদারী পুজারী দেবী মশা লৈখিদ্রে, মহাক্কী লম শরুক অদু দংকারীগী মিংদা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। কনাগুম্বা মিং ওনবদা য়ানিংদবা মীওই লৈরদি উক্তা কোর্ট অসিদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু দরখাষ্ট ওইনা থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম তাগনি।

HL-P/8935/23 **Sd-Sub Deputy Collector,Moirang**

IN THE COURT OF THE SUB:DEPUTY COLLECTOR MOIRANG

*Ref:- R.R. No. 9/SDC/M/2016*


President, Lokak Lake Development Organisation.
-VS-
State Land Government of Manipur.

**/NOTICE**

Moirang, The 21th June 2016

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গা মরি লৈননা থোকপা নোটিস অসিনা খংহল্লি মদুদি দাগ নং ২০/৩৩৭ কী এরিয়া ০.৬৪ একর চাউবা ষ্টেট খাশ লেন্দ খুল নং ৫৬ থাঙ্গদা লৈরিবা লম অসি Lokak Lake Development Organisation দা De-reserve তৌনবা দরখাষ্ট থাররে। কনাগুম্বা De-reserve তৌখিবদা য়ানিংদব মীওই লৈরদি নোটিস অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ (৭) নিগী মনুংদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট ওইনা থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি হৌনবী মতুং ইন্না মখা চথুরগনি।

HL-P/8935/23 **Sd-Sub Deputy Collector,Moirang**




## EMPLOYMENT NEWS

**UTTAR PRADESH SUBORDINATE SERVICE SELECTION COMMISSION – UPSSSC RECRUITMENT 2016 – 770 LABORATORY TECHNICIAN/LAB TECHNICIAN VACANCIES – LAST DATE 11 JULY**

**UPSSSC Recruitment 2016**
Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 770 Laboratory Technician/Lab Technician in Director General, Medical and Health Services & Director General, Medical Education and Training, Uttar Pradesh, Lucknow. Apply Online before 11 July 2016.
**Advt No. :** 14-EXAM/2016
**Job Details :**
**Post Name :** Laboratory Technician/Lab Technician
**No. of Vacancy :** 770 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Categories wise Vacancies :**
**Unreserved :** 389 Posts
**OBC :** 206 Posts
**SC :** 160 Posts
**ST :** 15 Posts
**Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates must have Intermediate with science and Diploma in Medical Laboratory Technology (DMLT) recognized by State Madical Faculty Lucknow or Equivelent.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 40 years (As on 01.07.2016)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.185/-
**For SC/ST Category :** Rs.95/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**
**How to Apply UPSSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 21.06.2016 to 11.07.2016 (Part-I) and up to 15.07.2016 for Part-II.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 21.06.2016
**Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) :** 11.07.2016
**Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) :** 15.07.2016
**Closing Date for receipt of Application Fee :** 13.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=522& flag=H&FID=1223
**Apply Online :** http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

**UPSSSC RECRUITMENT – 70 TECHNICAL ASSISTANT AND ASSISTANT INSTRUCTOR VACANCIES – LAST DATE 05 JULY 2016**

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 70 Technical Assistant and Assistant Instructor in Department of Uttar Pradesh Khadi and Gramudhyog Board, Lucknow. Apply Online before 05 July 2016.
**Advt No. :** 13-EXAM/2016
**Job Details :**
**Post Name :** Technical Assistant
**No. of Vacancy :** 34 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Post Name :** Assistant Instructor
**No. of Vacancy :** 36 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Technical Assistant :** Candidates must have Intermediate with science and training in Khadi & Village Industries Commission, the Khadi and Village Industries Commission or an institution or an institution recognized.
**For Assistant Instructor :** Candidates must have Intermediate with science and diploma or certificate in leather technology from any institute recognized by the Khadi and Village Industries Commission or by any government.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 40 years (As on 01.07.2016)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.185/-
**For SC/ST Category :** Rs.95/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**
**How to Apply UPSSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 15.06.2016 to 05.07.2016 (Part-I) and up to 11.07.2016 for Part-II.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 15.06.2016
**Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) :** 05.07.2016
**Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) :** 11.07.2016
**Closing Date for receipt of Application Fee :** 08.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=711& flag=H&FID=1219
**Apply Online :** http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

**UPSSSC RECRUITMENT – 2172 ACCOUNT ASSISTANT & AUDITOR VACANCIES – LAST DATE 04 JULY 2016**

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 2172 Account Assistant & Auditor. Apply Online before 04 July 2016.
**Advt No. :** 12-EXAM/2016
**Job Details :**
**Post Name :** Account Assistant
**No. of Vacancy :** 1917 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Post Name :** Auditor
**No. of Vacancy :** 255 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Categories wise Vacancies :**
**Unreserved :** 1067 Posts
**OBC :** 593 Posts
**SC :** 450 Posts
**ST :** 42 Posts
**Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates must have Graduate in Commerce OR Economics from recognised University OR Post Graduate Diploma in Accountancy.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 to 40 years (As on 01.07.2016)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.185/-
**For SC/ST Category :** Rs.95/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**
**How to Apply UPSSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 13.06.2016 to 30.06.2016 (Part-I) and up to 04.07.2016 for Part-II.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 13.06.2016
**Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) :** 30.06.2016
**Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) :** 04.07.2016
**Closing Date for receipt of Application Fee :** 02.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=710&flag=H&FID=1215
**Apply Online :** http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx